কায়াহ ষ্টেটতা মীওই ৩০ হেন্না হাৎলবা মতুং মৈ থাদোক্লল্লে

য়াঙোন, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সী) :

ম্যান্মারগী মনুং চনবা কায়াহ ষ্টেটতা নুপী অমদি অঙাং য়াওনা মীওই ৩০ হেন্না হাৎলবা মতুং মৈ থাদুনা থনল্লে হায়না লোকেল হ্যুমেন রাইটস গ্রুপ অমদি থৌদোক থোকফম মনাক্তা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীওইশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লাইবক থিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা করেনি হ্যুমেন রাইটস গ্রুপনা ফোঙদোকখিবদা, কায়াহ ষ্টেটতা হৌজিক হৌজিক রেবেল গ্রুপ অমদি ম্যান্মার মিলিটরিগী মায়োক্তা য়াম্না তোয়না খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা মরম ওইরগা মীওই কয়াগী ময়ুম অমাঙ অতা থোকহনখিবদগী লৈফম লৈতদুনা খুদোংচাগদবা মফমশিংদা লৈনরি। ঙসি হাৎলবা মতুং মৈ থাদোক্তুনা থনল্লবা মীওইশিং অদু ময়ুম মকৈ লৈত্রবা ঙাক্তনি। কায়াহ ষ্টেটকী মনুং চনবা মো সো ভিলেজ মনাক্তা ম্যান্মার মিলিটরিনা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিং অদুবু ফারবা মতুং হাৎখিবনি। মদুদসু নত্তনা য়াম্না নুংশি হৈতবা মওংদা মখোয়গী হকচাংশিং অদু ফত্ত হাউদি মরক্তা লংশিন্দুনা মৈ থারমখিবনি হায়রি। অমরোমদা মিলিটরিগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা খুৎলায় পায়বা মীওই কয়া মফম অদুদা মখোয়না নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি হায়না ক্লেইম তৌরি। মখোয়শিং অদু গাডি ৭ তা তোংদুনা লাকখিবনি হায়রি।

ওমিক্রোননা মরম ওইরগা ফ্লাইট সর্ভিস ৪,০০০ হেন্না নোংমখক্তদা কেন্সেল তৌখি

ন্যু য়োর্ক, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সী) :

মালেমগী লৈবাক কয়াদা লৈরিবা মীওইশিংনা চহীগী ওইনা খৌরাংনা ঙাইদুনা লাকখিবা খৃষ্টমাস কুম্হৈ হন্দক চহীগী ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি অমদি ময়ুম ময়ুমদা হন্দুনা কুম্হৈ অসিবু শরুক য়ানবা হোৎনবদা ফ্লাইট সর্ভিস কেন্সেল তৌখিবনা মরম ওইরগা নীংবা কায়বা মীওই কয়া অমসু য়াওরি। অমরোমদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা মরম ওইরগা ফ্লাইট সর্ভিস ৪,০০০ হেন্না কেন্সেল তৌখি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখিবদা, সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা থুনা য়াঙনা শন্দোরকখিবা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাকশিংনা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং কা হেন্না কনখৎনরক্লি। লৌখৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না লোক দাউন অমুক হন্না থমজিনবা হৌনখ্রে অমদি ট্রান্সপোর্ট সর্ভিস য়াওনা এয়র সর্ভিস কয়াসু কেন্সেল তৌবা হৌনখ্রে।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা য়ু এস খক্তদা ফ্লাইট সর্ভিস ২৮০ রোম কেন্সেল তৌখি। মসিনা মরম ওইরগা মশা মশাগী মরৈবাক্তা হন্দুনা খৃষ্টমাস কুম্হৈ য়াওনবা হোৎনরম্বা মীওই কয়াগী অনিংবা অরেম্বদা তাহনখ্রে। লৈবাক খরদনা খৃষ্টমাস পাঙথোকপদা অথিংবা থমখ্রে।

অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মী শিহনবা অমদি হোস্পিটালাইজ তৌহনবগী চাংদি হান্নগা য়েংনরুবদা য়াম্না নেম্লি অদুবু শন্দোকপগী চাংদি য়াম্না ৱাংলি। করিগুম্বা হান্না লৈরম্বা দেল্টাদগী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা হেন্না মাপঙ্গল কনবা ওইরক্লবদি মীওই কয়া শিহল্লবা য়াবগী ওইথোকপা চাওনা লৈ হায়রি।

ইলেক্সনগী অনৌবা নুমিৎ লেপ্পবা ৱেষ্টর্ন পৱারশিংনা লিবিয়াদা তকশিনখ্রে

লন্দন, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সী) :

লিবিয়াদা হৌজিক হৌজিক প্রসিদেন্ট ইলেক্সনগা মরী লৈননা চরাংনবগী থৌদোকশিং থোক্লিবা অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা অমদি মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না ইলেক্সনগী নুমিৎ অমা অথুবা মতমদা লেপ্পবা য়ুনাইটেদ কিংদম, ফ্রান্স, জর্মনি, ইটলি অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা লৈবাক মঙা অসিনা থাদোরকখিবা অপুনবা ষ্টেটমেন্ট অমদা, লিবিয়াগী মীয়াম্না ইলেক্সন তৌনবা মরী লৈনবশিংদা দিমান্দ তৌরিবা অসি মরম চাই। লিবিয়ান ওথোরিটিশিংনা হান্না লেপ্পলম্বা মতম অদুদা ইলেক্সন অসি পাঙথোক্লম্বা য়াবনি। অদুবু কা হেন্না পৱার পায়নিংবা মানবা মীওই খরগী খুজিল থৌরাংনা ইলেক্সন অদু পাঙথোকপা ঙমখিদবনি হায়না লৌই। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা প্রসিদেন্ট ইলেক্সন পাঙথোক্লবা অনৌবা নুমিৎ অমা অথুবা মতমদা লেপকদবনি। ইলেক্সন মতম লেপ্পলবা মতমদা লৈবাক অদুদা থোক্লিবা চরাংনবগী থৌদোকশিং অদু মশানা অদুম্মক লোইখিগনি হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০১১ দা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না মতম শাংনা পৱার পায়দুনা লাকখিবা লৈবাক অদুগী হান্নগী লুচিংবা মুঅম্মর গদাফিবু মিলিটরিগী মতেংগা লোয়ননা মফমদগী লৌথোকখ্রবা মতুং হাৎখিবনি। নুমিৎ অদুদগী হৌরগা লৈবাক অসিদা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈঙাক অমা ঙসিফাওবা শেম্বা ঙমদনা লাক্লি।

লৈবাক অসিগী ইলেক্টোরেল কম্মিসননা প্রসিদেন্ট ইলেক্সনগী মতম অসি মথং চহীগী অহৌবা থাদা পাঙথোক্লবা মতম অমুক হন্না লেপ্লিবা অসিদগী মখা তানা অমুক থেংথরবদি লৈবাক অসিদা মীশি মীনা য়াওবা থৌদোক কয়া থোক্লবা য়ানা লৈ। মরম অদুনা ওথোরিটিশিংনা মতম চানা থবক পায়খৎকদবনি হায়রি।

‘খৃষ্টমাস নুমিত্তা লৈত-লায়রাশিংবু মতেং পাংনবা হোৎনগদবনি’

ভেটিকান সিটি, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সী) :

খৃষ্টমাস কুম্হৈনা লাকপদা মালেমগী মীয়াম্না হরাও নুংঙাইবা অমদি অমনা অমবু নুংশিবা উৎনদুনা নুংঙাইবগী কুম্হৈ কয়া পাঙথোক্লরি। অদুবু মীয়াম্না নুংঙাইবগী কুম্হৈ পাঙথোক্লিবা অসিদা শরুক য়াবা ঙমজদবা মীওই কয়া লৈরি হায়বসি হরাওবা ফোঙদোক্লিবা মীয়াম্না কাউদবা ফৈ। লৈত-লায়রনা মরম ওইরগা খৃষ্টমাস কুম্হৈ য়াওবা ঙমদনা লৈরিবা মীয়ামদা মতেং পাংনবা হোৎনসি হায়না পোপ ফ্রান্সিসনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মসিনা কুম্হৈ অসিগী মগুন অমুক্কা হেন্না ৱাংহখৎহনবা ঙমগনি হায়রি।

রোমদা পাঙথোকখিবা খৃষ্টমাস কুম্হৈগী থৌরম অমদা শরুক য়াখিবা পোপ ফ্রান্সিসনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হন্দক চহীগী ওইনদি কোভদি-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরগা হরাও তয়াম্বগী কুম্হৈ অসি মপুঙ ফানা পাঙথোকপা ঙমদ্রে হায়না মীওই কয়ানা নুংঙাইতবা পোক্লি। অদুবু ঐগী ওইনদি খৃষ্টমাস নুমিৎ অসিদা নুংশি চান্নরিবশিংগী মফমদা করিগুম্বা খুদোল অমত্তা পীবা ঙমদবগী অৱা পোৎলুম পুদুনা লৈরিবা মীওইশিং অদুগীনি। অদুগুম্লবা মীওইশিং অদুগী ইমুংদা মৈ ঙালহনবা ঙম্লবা মতমদতা খৃষ্টমাস কুম্হৈ পাঙথোকপগী মহৈ ফংবা ঙমগনি। অদুবু হায়রিবা অসি মালেমগী মীয়াম্না থবক্তা ওন্থোকপা মতমদা মপুঙ ফানা মায় পাকপা ঙমগনি হায়বদি থাজদে হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখি।

ইজরেলদা ৱার্নিং পীবা ওইনা ইরাননা মিসাইল কাপখি

টেহরান, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সী) :

ইরাননা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা চথুরকখিবা লৈবাক অদুগী ওইবা মিলিটরি ড্রিল ঙসি লোয়শিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিত্তা ইজরেলদা ৱার্নিং পীবা ওইনা অমদি ড্রিল অদুগী মনুং চন্না সর্ফেস টু সর্ফেস বেলেষ্টিক মিসাইল ১৬ কাপখি হায়না ইরান রিভোলুসনরি গার্দ কোর্পকী জেনরেল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা আই আর এন এ ন্যুজ এজেন্সিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি ইরাননা কাপখিবা মিসালইশিং অদু মান্নদবা মখলগী মিসাইল ঙাক্তনি। মায় পাক্লা কাপ্তুনা চাংয়েং পাঙথোকখ্রবা মিসাইলশিং অদুগী মমিংশিংদি ইমাদ, ঘাদর, সেজিল, জালজাল, দেজফুল অমসুং জোলফাঘরনি। হায়রিবা মিসাইলশিং অসিগী শানবগী চাংসু খেন্নে। মিসাইলশিং অদু কিলোমিটর ৩৫০ দগী কিলোমিটর ২০০০ ফাওবা শান্না পাইবা ঙম্বা ঙাক্তনি।

ইরাননা কাপখিবা মিসাইলশিং অদু মখোয়না টার্গেট তৌখিবা মফমশিং অদুদা চপ চপ চানা পানদুনা পোখখায়খি। মসিদা নত্তনা ড্রোন প্লেনশিংগী ওইবা ড্রিল অমসু পাঙথোক্তুনা মফম কয়াদা পোকখায়হনখি। লৈবাক অদুগী খাথংবা শরুক্তা লৈবা মরুভুমি অমদা মিসাইল চায়েং অদু পাঙথোকখিবনি হায়রি।

ঙসিগী লোইশিনবগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইরান অর্মদ ফোর্সকী চীফ ওফ ষ্টাফ মেজর জেনরেল মুহমদ বাঘেরিনা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক পাঙথোক্লিবা মিলিটরি এক্সরসাইজ অসিগী মরুওইবা পান্দমদি লৈবাক অসিদা শিংনরক্লিবশিংদা ইরাননা কদায় ফাওবা য়ৌনা তৌবা ঙম্বগে হায়বদুগী শরুক খরা উথোকপনি। মরুওইনা ইজরেলনা ইরানগী মায়োক্তা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথুরক্লিবা অদুগী মতুংইন্না লৈবাক অদুদা ৱার্নিং পীবনি হায়না লৌরবসু য়াই। ইরানদা শিংনরকপা খুদিংমক থেংননবা শেম শাদুনা লৈরি হায়বা নিংশিংহনবনি হায়রি।

পুঙ ২৪ গী মনুংদা অনৌবা কেস লাক্ষ ১.২২ থেংনখি

লন্দন, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সী) :

য়ু কেদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোকপগী চাং হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা খঙহেন হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুঙ ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস লাক্ষ ১.২২ থেংনখি হায়না গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা ওমিক্রোন শন্দোকপগী চাং অসি খঙহেন হেনগৎলকখ্রে হায়রি।

য়ুরোপ কন্ট্রিশিংগী মনুংদা লায়না লায়চৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীবা লৈবাক অসি য়ু কেনা ওইরি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক হৌগৎলকপদগী হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা পুন্না মীওই ১,৪৭,৮৫৭ শিহনখ্রে। ওইরক্লিবা ফিভম অসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎকদবনি। লৈবাক অসিগী ওইনদি দেল্টা ভেরিয়েন্টনা শোকহনখিবা মী মশিংদগী ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টনা শোকহনবা মী মশিংনা হেনগৎলকপা য়ানা লৈরি।

ꯂꯣꯟ / LOAN ꯂꯣꯟ / LOAN

LOWEST INTEREST

1) Business Loan 2) Daily Installment Loan
3) Vehicle Loan (Two Wheeler only)
4) Piggery Loan 5) Poultry Loan
6) Weaving Loan
Area Cover : Thoubal & Kakching District

JOB NEWS

1) Collector 8 no. - 10 Passed (Boys & Girls)
2) BDO 4No. - 12/Graduate Passed
3) R.O. 2No. - 12/Graduate Passed
4) Reception 1 No. - 12 Passed (Kakching Branch)
5) Assistant Field Officer 5 No. - 12 Passed
(Age :- All Post below 30)

Last date of form submission - 30/12/2021
Date of Interview - 03/01/2022
Office hour - 10 AM to 4 PM

8787370703 Sd/-
Office of the LAININGTHOU PVT. LTD.
Thoubal Bazar, Leitanthem Leirak And
Kakching Branch, Axis Bank
Building

HL-B/7352/11/12-12/01

ভোলকেনো ইরপসন মখা তানা থোরক্লরোই হায়না ওফিসলশিংনা লাউথোকখ্রে

মাদ্রিদ, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সী) :

চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদগী হৌরগা স্পেনিস আইলেন্দ লা পালমাদা থোকখিবা ভোলকেনিক ইরপসননা মরম ওইরগা য়ুম কয়া অমাঙ অতা থোকহনখ্রবা মতুং আইলেন্দ অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদা লাকখিবা অদু মখা তানা মীপাইনিঙাই ওইদ্রে হায়না গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা মৈগী চীং কুম্ব্রে ভিয়েজাদগী ইরপসন থোরক্কনি হায়বগী চিংনবা লৈত্রে হায়রি।

মৈগী চীং অসিগী মতোন থংবা শরুক্তা হৌখিবা নুমিৎ ১০ নিরোম অসিদা মৈখু পাইথোকপা উখিদ্রবা মতুং গভর্নমেন্টনা মীয়াম মীপাইদনবা লাউথোরকখিবনি। কেনেরি আইলেন্দগী অপীকপা শরুক অমা ওইরিবা লা পালমা আইলেন্দদা থোকখিবা মৈগী চীং পোখায়বগী থৌদোক অদুদা মীশি মীনা অমদি অশোক অপন থোকহৌদ্রবসু মদুদগী পায়থোরকখিবা মৈখু অমদি অশাবা উৎশিংনা মহৈ মরোং থানরিবা মফম কয়া মাঙহনখ্রে অমদি চীং অদুদগী চেন্থোরকখিবা মৈ মহীনা য়ুম কয়াসু অমাঙ অতা থোকহনখিবনি।

অপীকপা ঈথৎ অদুদা লৈরিবা য়ুম ১,৩৪৫ থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা অমাঙ অতা থোকহনখিবতা নত্তনা স্কুল অমদি চর্চ কয়াসু অমাঙ অতা থোকহনখি। মৈগী চীং অদু পোকখায়খ্রবা মতুং মদুদগী চেন্থোরকখিবা মৈ মহীনা লম হেক্টর ১,২৫০ রোমসু মপুঙ ফানা কুপশিনখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা আইলেন্দ অদুগী লফু পাম্বী থাফম কয়াসু মাঙহন তাকহনখ্রে। অমরোমদা মৈগী চীং পোকখায়খিবগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মফম অসিদা লম কোয়বা মীশিং লাকপা কিনদুনা লৈরিবনি হায়রি।

রসিয়ন ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌনবা প্রাইম মিনিষ্টর নিকোলনা হায়জখ্রে

য়েরেভান, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সী) :

অর্মেনিয়া অমসুং য়ুমথংনরিবা লৈবাক অজেরবাইজানগা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবা মতুং লৈবাক অনীগী ঙমখৈ শরুক্তা রসিয়ন বোর্দর ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌহন্নবগীদমক অর্মেনিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর নিকোল পাসিনয়াননা মোস্কোদা হায়জখ্রে।

নাকল অনীগী মরক্তা মতম শাংনা খুৎ থোক্লদুনা লাকখিবা অদু রসিয়ানা হোৎনদুনা সিজফায়র তৌনখি। অদুমওইনমক রসিয়াগী মতেংগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা সিজফায়র তৌনখ্রবা মতুং নুমিৎ খরনি অসিদা ঙমখৈ শরুক্তা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোকখিবগা লোয়ননা মীশি মীনা কয়া থোকহনখ্রে।

হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা অর্মেনিয়ন-অজেরি অনীগী তাইনরিবা শাংলবা শরুক অসিদা রসিয়ন বোর্দর গার্দশিং দিপ্লোয় তৌবগী মথৌ তারে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর পাসিনয়াননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মোস্কোনা হীরম অসিগা মরী লৈননা হৌদোরকপা খুদিংমক খন্ননবা শেম শাদুনা লৈ হায়রি। অর্মেনিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ঙমখৈগী শরুক্তা গেঘারকুনিকতা লৈবা অর্মেনিয়ন পোজিসনশিংদা অজেরি ক্রুপশিংনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মদুগী মতুং অর্মেনিয়ানশিংনসু অজেরি তম্না হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগী থবক চথুখি। থৌদোক অদু অয়ুক্কী পুং ৭ লোম তারকপা মতমদা থোকখিবনি।

নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবগী থৌদোক অদু অমনা অমদা মরাল শীজিন্নদুনা লৈরি। অজেরবাইজানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা অর্মেনিয়ান ফোর্সশিংনা কেল বজারগী মনুং চন্না লৈবা খুঙ্গং অমদা মেছিনগনশিং শীজিন্নদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবগা লোয়ননা গ্রেনেদ কয়াসু লংশিল্লকখি হায়রি।

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

হৌখিবা তাং ০৭/১১/২০২১ ইংদা Awang Khunou Fourteen Star Association গী Special General Body Meeting অমা Shree W. Ingobi না Preside তৌদুনা পাঙথোক্তুনা Awang Khunou Fourteen Star Association অসি Integrated Farming Association Lamsang A/C address Awang Khunou Maning Leikai হায়না Change তৌবগা লোয়ননা অনৌবা Managing Committee Members সু খনবা হায়না য়ানরে।

লোয়ননা Managing Committee Member অমদি Office Bearers শিং মখাদা পীজরি।

1. Angonjamba Mani Singh - President
2. Wareppam Manikanta Singh - Vice President
3. Keithellakpam Amuthoi Singh - Secretary
4. Hairangbam Bishorjit Meitei - Asst. Secretary
5. Wareppam Nishikanta Singh - Treasurer

হায়রিবা অসিগী মতাংদা কনাগুম্বা-কনাগুম্বীনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচেদা হাপ্পবা নুমীৎকী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা য়েৎপীবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/- **Th. Indrakumar Singh**
Secretary of
Fourteen Star Association

HL-P/1059/26

রেবেলশিংগা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা মীওই ৫ লৈখিদ্রে

সানা, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সী) :

য়েমেনদা লৈরিবা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন ফোর্সনা রেবেলশিংগী মথক্তা চথুখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩ শিখ্রে অদুগা হৌথি রেবেলশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবশিংনা সাউদিদা রোকেট কাপশিন্দুনা চথুরকখিবা এটেক অমদনা মীওই ২ শিখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না, হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দগী হৌরগা ইন্টরনেসনেলনা রিকগনাইজ তৌবা য়েমেন গভর্নমেন্ট অমদি ইরাননা বেক তৌবা লৈবাক অদুগী হৌথি রেবেলশিংগা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাক্লি। মালেমগী লৈবাকশিংনা শকখঙলবা য়েমেন গভর্নমেন্টতা সাউদিনা মতেং পাংশিন্দুনা হৌথি রেবেলশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা ষ্ট্রাইকশিং চথুবা হৌখিবনি। মদুগী পাউখুম পীবা ওইনসু হৌথি রেবেলশিংনা কোলিসন ফোর্স অমদি সাউদিদা টাগর্টে তৌদুনা এটেকশিং য়াম্না তোইনা চথুরি।

ঙসি সাউদিদা চথুরকখিবা এটেক অদুগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী সিভিল দিফেন্সনা ফোঙদোকখিবদা, য়েমেনগা তাইননা লৈরিবা লৈবাক অসিগী খা থংবা শরুক্তা হৌথি রেবেলশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবশিংনা রোকেটশিং কাপশিন্দুনা এটেক চথুরকখিবনি। এটেক অদুদা সাউদি অমা অমসুং য়েমেনি অমা শিখি অদুগা অতোপ্পা ৭ অমনা শোকখি। থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা অমদি শোক্লবশিং মীচম ঙাক্তনি। রেবেল গ্রুপ অসিনা মী য়াম্না তিনবা মফমদা টার্গেট তৌরগা এটেক চথুরকখিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে হায়রি।

কেমিকেল সাইট পোকখায়বগী থৌদোক্তা ১৬ শোকখ্রে

ফ্রেঙ্কফর্ট, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সী) :

জর্মনিগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা লেভরকসেনদা লৈবা কেমিকেল পার্ক অমা পোকখায়রকপগী থৌদোক অমদা মীওই ১৬ অশোক অপন নংখিবগা লোয়ননা মীওই ৫ থিবা ফংদনা লৈরি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং মনাক নক্লা লৈরিবা মীওইশিং মতম খরগী ওইনা য়ুমদগী মপান থোক্তনা লৈনবা ওফিসলশিংনা খঙহল্লক্লি। পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা বিল্ডিং অদুদগী পাইথোরক্লিবা অমুবা মচুগী য়াল্লবা মৈখুশিং অদুনা হকচাংদা অশোকপা পীহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা য়ুমদগী মপান থোক্তনা লৈনবা খঙহনখিবনি।

থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৯.৪০ তারকপা মতমদা থোকখিবনি। মতৌ করম্না কেমিকেল সাইট অদু পোকখায়রকখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়না কেমিকেল সাইট চেম্পার্ককী ওপরেটর করেন্টনানা ফোঙদোরক্লি। জর্মনিগী এন আই এন এনসু অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিংদা অকনবা ৱার্নিং পীবগী মেসেজশিং থাখিবগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ য়ুমগী থোঙ থোঙনাওশিং লোনশিন্দুনা লৈনবা অমদি খুদোংথিবা মতমদা ইমজেন্সি নম্বরদা খুদক্তা কোল তৌরক্নবা আপীল তৌরক্লি।

অমরোমদা ওপরেটর করেন্তানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চেম্পার্ককী লেন্দফিল্ড অদু কেমিকেল সাইট অদুগীদি য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমনি। মফম অদুদা কেমিকেল কম্পনিশিং মরু ওইনা বেয়র, লেন্দসেক অমসুং ইভোনিক ইন্দষ্ট্রিশিং লৈরিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই ১৬ অশোক অপন নংখি। মদুগী মনুংদা মীওই ৪ গী ফীভমদি ক্রিটিকেল ওইরি। অহানবগী ওইনা ইমপ্লোয়ীশিং অশোক অপন নংখিবা অদুনা মরম ওইরগা মীওই ৫ মাঙখিবা অদুগী মতাংদা খঙবা ঙমখিদে। অদুমওইনমক ইমপ্লোয়ী লিষ্ট চেক তৌরুবা মতমদা মীওই ৫ হৌজিক হৌজিক থিবা ফংদনা লৈরি হায়বা খঙলকখিবনি হায়রি।

মালেসিয়া ঈচাওদা শিখিবা অপুনবা মীশিং ৪৬ শুখ্রে, ৫ থিবা ফংদনা লৈরি

কোলা লম্পুর, দিসেম্বর ২৫ (এজেন্সী) :

মালেসিয়াদা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা থোকখিবা অকনবা ঈচাও অমনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা শিহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪৬ শুখিবগা লোয়ননা মীওই ৫ হৌজকসু থিবা ফংদনা লৈরি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিংনা হিরম অসিগা মরী লৈননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লোকেল ভোলুন্টিয়রশিং য়াওনা মরী লৈনবা গভর্নমেন্ট ষ্টাফশিংনা খৃষ্টমাস নুমিত্তা ফাওবা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা লম্বীশিং শেংদোকপগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি। ঈচাও অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অচৌবা চৈথেং পীখিবনা মকৈ লৈহনখিদ্রে। কয়া অমনা য়ুমথংনরিবা ষ্টেটশিংদা চেনশিন্দুনা চংজফম লৌদুনা লৈরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অৱাবা তারবা মীয়ামদা তেংবাং পোৎলম পীবগী থবক চথুবা হৌখ্রবসু মীয়ামদা চপ চানা কান্নবা পীবদি ঙমদ্রি। ঈচাওনা মরম ওইরগা লম্বীশিং ফাওনহনখিবদা অমদি কোভিদকী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংনা মথৌ তৌবদসু চাওনা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লি। অমরোমদা হৌজিক থিবা ফংদনা লৈরিবশিং অদু শিরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।



BOARD OF SECONDARY EDUCATION
MANIPUR
ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTIFICATION
Imphal, the 24th December, 2021

No. G/13/(Vol – VIII)/2021(DR): In continuation of this Office notification of even no. dated the 19th November, 2021, it is hereby notified for information of all candidates who had appeared in the written test examination for appointment of LDC/Data Assistant of the Board of Secondary Education, Manipur that Speed Test examination will be held at the **Institute of Co-Operative Management**, Cooperative Complex Lamphelpat on 29th and 30th December, 2021. The date and time of the Speed test examination is given below:

Date : 29/12/2021

Sl. No.	Shift	Roll Number	No. of candidates
1.	11.30 am to 12.30 pm	4001 to 4064	40
2.	12.30 pm to 1.30 pm	4065 to 4114	40
3.	1.30 pm to 2.30 pm	4115 to 4162	40

Date : 30/12/2021

Sl. No.	Shift	Roll Number	No. of candidates
1.	11.30 am to 12.30 pm	4163 to 4217	40
2.	12.30 pm to 1.30 pm	4218 to 4250	23

Sd/- L. Mangi Singh
Controller of Examinations

HL-P/1054/25,26,27